# তামিল নাদুগী এন জি ও অমনা গভর্ণরদা হান্নগী মিনিষ্টর অমগী মায়োক্তা লিগেল প্রোসিদিংস লৌখৎনবগী অয়াবা পীনবা তকশিনখ্রে

**চেন্নাই, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

গভর্নেন্সতা ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈহন্নবগী পান্দমদা থবক তৌরিবা তামিল নাদুগী ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন অরাপ্পুর ইয়াকমনা গভর্ণর আর এন রবিদা হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং এ আই এ দি এম কেগী লিদর কে সি ভিরমনিগী মায়োক্তা লিগেল প্রোসিদিংস লৌখৎনবগী অয়াবা পীবিনবা তকশিনখ্রে।

অরাপ্পুর ইয়াকমগী কনভিনর জয়রাম বেনকাটেসন্না গভর্ণরদা ইবা লেটর অমদা হায়রিবদি হান্নগী কেসি বিরমনিগী মায়োক্তা প্রোজিক্যুসন চত্থনবগী ফাইল অদু গভর্ণরগী ওফিসতা পন্দুনা লৈবা হৌজিক থা তরা শুরে হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফোঙখিবা লেটরদগী ঐখোয়না খঙলে। হান্নগী মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎননবা ঐখোয়না অদোমদা হায়জরি।

পিটিস্নরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্কী ওর্গনাইজেসন অরাপ্পুর ইয়াকম্না কুমজা ২০২১ গী ওগষ্ট ১৬ তা হান্নগী মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা দি ভি এ সিদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌবা লৈখ্রে। কমপ্লেন্ট অদু মিনিষ্টর অসিনা কুমজা ২০১১ দগী ২০২১ ফাওবগী মনুংদা মহাক্কী ইনকমগী অখঙবা ছোর্সশিংগা চান্নদনা এসেটশিং পৈশিল্লম্বগী মায়োক্তা থাখিবনি।

চহী তরাগী মতম অসিগী মনুংদা হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা লুপা ক্রোর ৭৬.৬৫ কী লন থুমশিং পৈশিনখি হায়না পিটিস্নরনা ফোঙদোকখি।

জয়রাম বেনকাটেস সেননা হায়রি, মদুদি ওর্গনাইজেসন অসিনা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্টদা য়ুম্ফম ওইরগা দি ভি এ সিনা ইনক্বারি অমা কন্দক্ট তৌখি অমসুং কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বরদা দি ভি এ সিনা অকুপ্পা ইনভেষ্টিগেসন অমা কন্দক্ট তৌখিবা মতম কুমজা ২০১৬ দগী ২০২১ ফাওবগী ওইনা লুপা ক্রোর ২৮.৭৮ কী শেনফম অমগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি।

ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফানা লোইরবা মতুংদা তামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা পি সি এক্টকী সেক্সন ১৯ গী মতুং ইন্না অয়াবা পীবিনবা কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বর ১২ দা গভর্ণরদা হায়জখি।

গভর্ণেন্সতা ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা থবক তৌরিবা বেনকটেসন্না মখা তানা হায়রি, মদুদি মতিক চাবা ওথোরিটিশিংদা সেক্সসন পীবগী মরমদি পুকচেল শেংলবা পব্লিক সর্ভেন্টশিংবু ফত্তবা পান্দমগা লোয়ননা প্রোজিক্যুসন চত্থরকপা থিংনবগীদমক্তনি।

হান্নগী মিনিষ্টর অসিগী অখঙবা ইনকমগী ছোর্সশিংগা চান্নদনা য়াম্লবা এসেটশিং পৈশিনখি হায়বসি তোঙান তোঙানবা ইলেক্সনশিংদা হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা ফাইল তৌখিবা এফিদেবিটশিং অমসুং মহাক্কী ইনকম টেক্স রিটর্নগী শেনফমশিং পারগা শেংনা খঙবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কমপ্লেনেন্ট অসিনা হায়রি, মদুদি গভর্ণরগী ওফিসনা হান্নগী মিনিষ্টর অসিবু প্রোজিক্যুসন চত্থনবগী অয়াবা পীদবা হায়বসি চুমদে অমসুং মরম চাদনা প্রোজিক্যুসনদা থিন্থবা অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা কনভিক্সন লাকহনবগী থৌওংশিং অচুম্বা ওইরোই।

গভর্ণরদা ইবা লেটর অদুদা পিটিস্নরনা কেস অসিদা গভর্ণরনা অয়াবা পীবা হায়বসি মশাগী মথৌদাং ওইফম থোকই হায়না পনখি।







# সুপ্রিম কোর্টনা অদানি-হিন্দেনবর্গকী হিয়ারিং য়ৈথোকখ্রে, সেবিগী রেস্পোন্স হংখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা অদানি-হিন্দেনবর্গ দিস্প্যুটকী হিয়ারিং য়ৈথোকখ্রে অমসুং সেক্যুরিটিস এন্দ একচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়া (সেবি) দা কোর্টনা এপোইন্ট তৌখিবা এক্সপার্ট কম্মিটিনা পীবা রিকমেন্দেসনগা মরী লৈনবা রেস্পোন্স হংখ্রে।



সেবি রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সোলিসিটর জেনরেল টুসের মেহতানা কোর্টতা কম্মিটিগী রিপোর্টতা পল্লিবা সজেসনশিংগা মরী লৈনবা কন্সট্রক্টিভ রেস্পোন্স অমা মমাঙগী নুমিত্তা সবমিট তৌখি হায়না খঙহনখি।

চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা লূচিংবা অমসুং জষ্টিসশিং পিএস নরসিমহা অমসুং মনোজ মিশ্রা য়াওবা বেঞ্চ অদুনা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী প্রোগ্রেসকী মরমদা হংখি।

মেহতানা মহাক্কী পাউখুমদা হায়খি, মদুদি এপেক্স কোর্টনা সেবিদা অদানি গ্রুপনা ষ্টোক্কী মমল মেনিপুলেসন তৌখি হায়বা এলিগেসনশিংগী মতাংদা চত্থরিবা প্রোব লোইশিন্নবা ওগষ্ট ১৪ ফাওবা মতম পীরে অমসুং হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন অদু লেপ্তুনা চত্থরি হায়খি।

মখোয়গী পাউখুম অদু এক্সপার্ট কম্মিটিনা পীরিবা রিকমেন্দেসনশিংগা মরী লৈনৈ অমসুং এলিগেসনশিং অদুগদি মরী লৈনদে হায়না মহাক্না শেংদোকখি। মহাক্কী ৱাফম অদু তারবা মতুংদা বেঞ্চ অদুনা মখোয় সেবিগী মায়কৈদগী রেস্পোন্স অমত্তা ফঙদ্রি হায়খি অমসুং মদু কেস অদুগা মরী লৈনবা অতৈ দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা সার্কুলেট তৌগদবনি হায়বা সজেসন পীখি।

মখা তানা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, মদুদি কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হিয়ারিং হৌগদৌরিবা অতৈ প্লিশিংগী প্রোসিদিংসশিং লোইশিল্লবা মতুং খুদক্তা মেটর অদু পায়খৎকনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেবিনা টোপ কোর্ট অসিদা কেস অদুগা মরী লৈননা কোর্টনা এপোইন্ট তৌবা এক্সপার্ট কম্মিটিনা পীবা তোঙান তোঙানবা রিকমেন্দেসনশিংগী মতাংদা মখোয়গী মীৎয়েংশিং উৎপা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, এপেক্স কোর্টনা কোর্ট অসিগী হান্নগী জজ জষ্টিস এএম সাপ্রেনা লুচিংবা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা হৌজিক লৈরিবা ফাইনান্সিএল রেগ্যুলেটরি মেকানিজমশিং রিভিয়ু তৌবগা লোয়ননা চেৎশিলহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা শেমখিবনি।

# এন আই এনা ফারবা ত্রিনামুলগী কেন্দিদেট অমা বেঙ্গলগী গ্রাম পঞ্চায়ট মীখলদা মায় পাক্লে

**কোলকট্টা, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বিরভুম দিষ্ট্রিক্টকী নলহাটি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা কোনবা গ্রাম পঞ্চায়ট সিট অমগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ওইরিবা মনোস ঘোস নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না ফাগৎখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা মহাক্না কন্টেষ্ট তৌরিবা সিট অদুদগী কারে হায়না লাউথোকখ্রে।



ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ঘোসনা মহাক্না খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা অদুদগী ভোট মশিং ৩০৯ হেল্লগা মায় পাকখি। মহাক হৌখিবা চহীদা বিরভুম দিষ্ট্রিক্টতগী দিটোনেটর ৮১,০০০ রিকোভর তৌখিবগা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এন আই এনা ফাখিবনি।

ঘোসপু মায় পাক্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোরকখিবদা বিরভুমগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী দিষ্ট্রিক্ট লিদরশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। বিরভুমগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি মেম্বর অমনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি অমসুং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা প্রেসর পীবদগী সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিগী স্লুটশিংনা কান্নদবদা হরাসমেন্ট পীবগা লোয়ননা ফাখিবা ওইরবসু ঘোসনা মায় পাক্লিবা অসিনা মহাক মফম অদুদা মখা তানা মীয়ামগী থাজবা ফঙলি হায়বসি প্রুফ তৌরে।

বি জে পিনা ঐখোয়গী মায়োক্তা সেন্ট্রেল এজেন্সিশিং হেন্না হেন্না থাজিল্লিমখৈ ঐখোয়দা মীয়াম্না মীনুংশি উৎলকপা অমদি থাজবসু হেল্লক্কনি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট অদুগী বি জে পিগী লিদরশিপনদি ঘোসনা ভোট মশিং খজিক্তমক হেল্লগা মায় পাক্লিবদু মীখল নুমিৎ জুলাই ৮ দা মফম অদুদা মীখলগা মরী লৈননা ভাইওলেন্স কয়া থোক্লিঙৈদা পাঙথোকখিবা পোল্লিং অদুদগীনি। নুমিৎ অদুদা ওপোজিসনগী এজেন্টশিং পোল্লিং বুথশিংদগী তান্থোকখি অমসুং ভোটরশিং মনিং তম্না ভোট থাদবা য়াহনখি।

# এল ও সিদা নারোনদগী চঙশিল্লক্লবা হোৎনখিবা টেররিষ্ট ১ হাৎখ্রে

**জম্মু, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী নাউসেরা সেক্তরনা কোল্লিবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) দা নারোনদগী চঙলক্লবা হোৎনরম্বা টেররিষ্ট অমা হাৎলে হায়না আর্মিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন লেপটনেন্ট কর্নেল সুনিল বার্টৱালনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি জুলাই ১০ গী অহিংদা এল ও সি পরিংদা নারোনদগী চঙশিল্লক্লবা হোৎনখিবগী থৌওং অমা ইন্দিয়ন আর্মিগী মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরিবা ট্রুপশিংনা অরেম্বা তাহনখি। জুলাই ১০ গী অহিং নোংয়াইদা এল ও সিগী নাউসেরা সেক্তরদা দিপ্লোই তৌরিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা টেররিষ্ট কাঙবু অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মখোয়গী মায়কৈদা চঙশিন্নবা চথোক চৎশিন তৌবগী থৌওংশিং উবা ফঙখি।

টেররিষ্ট অদুদা ইন্দিয়ন ট্রুপশিংনা মপা চুম্না নোংমৈনা কাপশিনখি। থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট অমা ঐখোয়গী সাইদতা হাইথখিবা অমদি অতৈ অনীনা অশোক অপন নঙলবা মতুংদা জঙ্গলদা চঙশিল্লগা লোৎখিবগী মওং উবা ফঙখি। ওপরেসন অদু চত্থরিবা এরিয়া অদু অকুৎ অতোং নাইবা অমদি অশুকপা জঙ্গল লৈবগা লোয়ননা নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা টেররিষ্ট অদু জঙ্গল অদুদা লোৎতুনা লৈখি। অহেনবা ট্রুপশিং চঙশিল্লকখি অমসুং মফম অদু কোয়শিন্দুনা থমখি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন অসিনা মখা তানা হায়রিবদি মাইন মরাং কায়না ফুল্লবা মফম অমদা নোং কন্না চুরিঙৈদা নুমিৎ নীনিরোম চুপ্পা থীহুম্বা চত্থবদা ট্রুপশিংগী খুত্তা শিখিবা টেররিষ্ট অমগী হকচাং খুৎলায়শিংগা কোন্ননা রিকোভর তৌখি।

জঙ্গল অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা অতৈ অশোকপা টেররিষ্টশিং অদু এল ও সিদা অমুক চঙশিন্নবা হোৎনরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

# লক্ষ্মিপুর খেরি ভাইওলেন্স কেসতা অসিস মিশ্রাগী ইন্টরিম বেলগী মতম শাংদোকহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

কুমজা ২০২১ দা উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্মিপুর খেরিদা থোকখিবা ভাইওলেন্স কেসকা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজয় কুমার মিশ্রাগী মচানুপা অসিস মিশ্রাদা পীরিবা ইন্টরিম বেলগী মতম সুপ্রিম কোর্টনা শাংদোকহনখ্রে।





জষ্টিসশিং সুরিয়াকান্ট অমসুং দিপঙ্কর দত্তা য়াওবা এপেক্স কোর্টনা কেস অদুগী ট্রাইয়েল চত্থরি হায়না পল্লদুনা মেটর অদু এজোর্ন তৌনবা ৱারেপ লৌখি। অতৈ পন্দুনা লৈরিবা কেসশিংদা চৈথেং পীবা য়াবগী ফিভম লৈবদগী টোপ কোর্ট অসিনা মমাঙদা এপ্রিল ২৪ দা নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা হিয়ারিং কন্দক্ট তৌননবা ট্রাইয়েল কোর্টতা দিরেক্সন পীবদা লৈরিবা খুদোংচাদবা ফিভম অদু হাইলাইট তৌখিবনি। ফিভম অদুনা মরম ওইদুনা অসিস মিশ্রাদা পীবা ইন্টরিম বেলগী মতম সেপ্টেম্বর ২৬ ফাওবা শাংদোকহনখি। লক্ষ্মিপুর খেরি ভাইওলেন্স কেসকী ট্রাইয়েল অদু খোঙজেল তপ্লে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মার্চ ১৪ দা ওবজার্ব তৌখিবনি।

জনুৱারী ২৫ দা সুপ্রিম কোর্টনা অসিস মিশ্রাদা চয়োল নিপানগী ইন্টরিম বেল পীখি অমসুং মহাকপু জেলদগী থাদোরক্লবা মতুং চয়োল অমগী মনুংদা উত্তর প্রদেশ থাদোক্লবা খঙহনখি। হৌখিবা জনুৱারীদা এপেক্স কোর্টনা মিশ্রাদা বেল পীখিবা মতমদা কন্দিসন খরা ইম্পোজ তৌখি। এপেক্স কোর্টকী কন্দিসনশিং অদুদা মহাক থাদোক্লবা মতুংদা চয়োল অমগী মনুংদা য়ুপি থাদোক্কদবনি; মহাক য়ুপি নত্ত্রগা দিল্লিগী এন সি টি/এন সি আরদা লৈবা য়ারোই; মিশ্রানা মহাক্কী লোকেসন কোর্টতা খঙহনগদবনি অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা নত্ত্রগা মিশ্রা মশামক্না ৱিটনেসতা ইথিল পীবা তারবদি মহাক্কী বেল কেন্সেল তৌগনি হায়বা য়াওরিবনি।

কোর্ট অসিনা মখা তানা পল্লদুনা মিশ্রানা মহাক্কী পাস পোর্ট সরেন্দর তৌগদবনি; ট্রাইয়েল প্রোসিদিংস য়াওনবা নত্তনা মহাক উত্তর প্রদেশতা চঙবা য়ারোই অমসুং ইন্টরিম বেলগী কন্সেসন শেরান্ননা শীজিন্নবগী থৌদোক লৈরবদি প্রোজিক্যুসন, এস আই টি, ইনফোর্মেল নত্ত্রগা ক্রাইম অদুগী ভিক্তিমশিংগী ইমুংগী মীওই অমনা কোর্ট অসিদা খুদক্তা অয়েৎ অপন অমত্তা য়াওদনা পাউ পীবা য়াগনি হায়নসু পনখি।

# স্বিদেননা নাটোদা য়াওবগী ৱাফম টর্কিনা য়ারে

**ব্রাসেলস, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

স্বিদেননা নাটোদা য়াওবগী ৱাফম টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা য়ারে হায়না এল্লায়ন্স অসিগী চীফ জেন্স ষ্টোলটনবর্গনা হায়রি।

নাটোগী চীফ অসিনা হায়রিবদি টর্কিস লিদর ইর্দোগাননা স্বিদেনগী নাটো বিট অদু অঙ্করাদা লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টতা ফোরৱার্দ তৌবগা লোয়ননা রেটিফিকেসন য়াহল্লগনি।

চৈরকসিদা টর্কিস লিদরগী ৱারেপ অদুদা রিএক্ট তৌরদুনা স্বিদেনগী পিএম উল্ফ কির্ষ্টেসোননা মহাক অদুক্কী মতিক হরাওবা পোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, টর্কিনা মমাঙদা স্বিদেনগী এপ্লিকেসন থা তরেৎ চুপ্পা থিংদুনা লাকখিবনি। অঙ্করানা ষ্টোকহোল্মবু কুর্দিষ্ট মিলিটেন্টশিং মতেং পাঙই অমদি চঙজফম পী হায়না মরাল শীরদুনা স্বিদেনগী নাটো বিট অদুবু অথিংবা পীদুনা লাকখিবনি।

নাটোগী মেম্বর ৩১ গী মনুংদা অমা ওইনা গ্রুপ অদুদা অনৌবা লৈবাক অমনা য়াওনবা হোৎনরকপদা টর্কিনা ভিটো তৌবা ঙম্মী। ওইরক্লিবা খোঙথাং অদুদা রিএক্ট তৌরদুনা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা টর্কিস প্রসিদেন্ট ইর্দোগাননা পার্লিয়ামেন্টতা থুনা রেটিফিকেসন তৌরগনি হায়রিবসি তরাম্না ওকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# সুদানগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিংদা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট সাইন তৌননবা তকশিনখ্রে

**অদিস অবাবা, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

ইষ্ট অফ্রিকান ব্লোক অমা ওইরিবা ইন্টরগভর্ণমেন্টেল ওথোরিটি ওন দিভলপমেন্ট (আই জি এ দি) না সুদানগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিংদা সিজ ফায়রগী এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীননবা তকশিনখ্রে।

ইথিওপিয়াগী কেপিটেল অদিস অবাবাদা পাঙথোকখিবা আই জি এ দিগী হেদ ওফ ষ্টেটকী ওইবা নোংমগী মীফম অমা লোইশিনখিবদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা আই জি এ দিনা হায়খি, ব্লোক অসিনা সুদানগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিংদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদবা অমসুং মতম কক্তবা সিজ ফায়র অমা য়াননবা কন্না তকশিল্লি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা লান শোক্লরিবা পার্টিশিংদা খুদক্তা ভাইওলেন্স লেপ্পবা তকশিনবগা লোয়ননা ইফেক্তিব ওইবা ইনফোর্সমেন্ট অমসুং মোনিটরিং মেকানিজম অমা পুথোক্লবা আপিল তৌখি। আই জি এ দিনা মখা তারদুনা সুদানগী লিদরশিংদা মাই মাই ওনশিন্নদুনা মীটিংশিং চত্থবা হায়বসি মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা হৌজিক চত্থরিবা লৈবাক অদুগী মিলিটরি কনফ্লিক্ট অদু মিলিটরিগী ওইবা সোল্যুসন পুরকপা য়ারোই। হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং কয়া শিহনখ্রবা অমসুং রিফ্যুজি ৬,১৫,০০০ য়াওনা মীওই মিলিয়ন ৩ লোম ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রবা সুদানগী লান অদুগী চৈথেংশিংদা নুংনাংবা উংখি।

# নেপালদা হেলিকোপ্টর কায়বদা মীওই মঙা শিরে

**কাঠমান্দু, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা সোলুখুম্বু দিষ্ট্রিক্টতগী কেপিটেল কাঠমান্দু তম্না পাইবদা মাঙখিবা হেলিকোপ্টর অমা কায়রক্লে অমসুং মদুদা তোংলিবা মীওই তরুক্কী মনুংদা মীওই মঙা শিরক্লে অমনা থীবা খঙখিদ্রে হায়না নেপাল পুলিসনা লাউথোকখ্রে।

পুলিসনা হায়রিবদি মনাং এয়র হেলিকোপ্টর অদু লিখুপিকে রুরেল ম্যুনিসিপালিটিগী লমজুরা এরিয়াদা কায়খিবনি। মফম অদু মাউন্ট এভরেষ্টকা নক্কনা জিরি অমসুং ফক্লুগী মরক্তা লৈ।

হেলিকোপ্টর কায়রিবা মফম অদুদা দিপ্লোই তৌরিবা জুনিয়র পুলিস ওফিসর অমা ওইরিবা নিরঞ্জন বাস্নেটনা হায়রিবদি হকচাং মঙা ফঙবা ঙম্লে অমসুং তরুকশুবা মীওই থীবগী ওপরেসন মখা তানা চত্থরি।

মনাং এরিয়াগী ওপরেসন্স এন্স সেফতি মেনেজর রাজু ন্যুপানেগী মতুং ইন্না হেলিকোপ্টর অদুদা তোংলিবা মীওই তরুক অদুদা কেপ্টেন চেট বহাদুর গুরু অমসুং মেক্সিকান নেসনেল মঙা য়াওরি। রুরেল ম্যুনিসিপালিটিগী দিপ্যুটি চিয়র নৱাং লাহাটপা সেরপাগী মতুং ইন্না কায়রবা হেলিকোপ্টর অদু লোকেলশিংনা থেংনরকখিবনি হায়রি।

# জপানদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৬ শিরে, ৩ মাঙখ্রে

**টোকিও, জুলাই ১১ (এজেন্সী):**

জপানগী ক্যুসু রিজনদা নোং কন্না চুবদগী মীওই তরুক শিরে অমসুং অতৈ মীওই অহুম থীবা ফঙদ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেগী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রিবদি ফুকুওকা, সাগা অমসুং ওইতা প্রিফেকচরশিংদা নোং কন্না চুবদগী লেন্দ স্লাইদশিং থোক্তুনা অমদি অতৈ দিজাষ্টরশিংনা মরম ওইদুনা মী শিবা অমদি মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা মীওই খরা হৌজিক ফাওবদা থীবা ফঙদনা লৈরিবনি।

ফুকুওকাদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা মশাগী চহী ৭৭ শুরবী নুপী অমা সুইদা টাউনদা লেন্দ স্লাইদ থোক্তুনা মহাক্কী ময়ুম লৈবাক্না ননবদগী শিখি।

চহী ৭০ গী মথক ওইরবা নুপা অমা হিরোকুৱা টাউনদা ঈশিং থুমজিল্লবা ট্রক অমদগী রেস্ক্যু তৌরবা মতুং হোস্পিটালদা লায়কন্নরিঙৈদা শিখি। প্রিফেকচর অদুদা চহী ৫০ হেল্লবা নুপা অমা য়াওনা অতৈ মীওই অহুমসু শিখি। নুপা অদুগী হকচাং দজাইফুগী ঈশিং থুমজিল্লবা অন্দর পাস অমদা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

কুরুমে সিটিদা মশাগী চহী ৭০ হেল্লবা নুপা অমা মদস্লাইদ থোক্তুনা য়ুম কয়া লৈখোম লৈনাংনা ফুমজিনখিবা মফম অমদগী রেস্ক্যু তৌরবা মতুংদা লায়কন্নরিঙৈদা শিখি। মশাগী চহী ৪০ খরা হেল্লবা নুপা অমনা রাইস ফিল্ড অমদা তারম্বদগী লৌখৎলবা মতুংদা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না সাগা প্রিফেকচরগী করাসুদা লেন্দ স্লাইদনা য়ুম অনীসু শোকহনখি। মফম অদুদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থেংনখিবা নুপী অমা ভাইটাল সাইন অমত্তা মশাদা য়াওরমখিদে অমদি মতুং তাবদা মহাক শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌখি। মফম অদুদা নুপা অনী থীবা ফঙদবদগী রেস্ক্যুৱরশিংগী থবক মখা চত্থখি।

চৈরকসিদা ওইতা প্রিফেকচরদা চহী ৫০ খরা হেল্লবী নুপী অমা নাকাসু সিটিগী তুরেল অমগী নাকলদা লৈবা লম্বী অমদগী মাঙখিবগা লোয়ননা মহাকপু থীবগী থবক চত্থরি হায়না এন ঐচ কেগী রিপোর্টনা হায়রি।

**CAS Coaching Centre**
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open (New Batches)
FOUNDATION COURSES
Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)
Special features:
- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious, Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes Commencing from 6th July, 2023
# Morning:(4.30– 7.00) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.
For Details Contact:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-P/6960/30-6 to 29-7

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/521 Dated, the 22/06/2023

Amina Khatun, W/o L. Md. Kheiruddin of Lilong Chaobok Mairenkhun, P.O. & P.S. Lilong Thoubal Dist., Manipur

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 11th July, 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Amina Khatun, W/o L. Md. Kheiruddin of Lilong Chaobok Mairenkhun, P.O. & P.S. Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/7145/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/528 Dated, the 3/07/2023

Laishram Nilababu Singh, H/o Late. Laishram Tombi Devi of Kiyam Siphai Leithagol Leikai, P.O. & P.S. Thoubal

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 11th July, 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Laishram Nilababu Singh H/o Late Laishram Tombi Devi of Kiyam Siphai Laithagol Leikai, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Husband Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/7145/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/519 Dated, the 19/06/2023

Laishram (O) Radhamani Devi, W/o (L) Laishram Gopal Singh of Lilong Arapti Maning Leikai P.O. & P.S. Lilong Thoubal Dist., Manipur

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 11th July, 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Laishram (O) Radhamani Devi, W/o (L) Laishram Gopal Singh of Lilong Arapti Maning Leikai, P.O. & P.S. Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/7145/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/512 Dated, the 9/06/2023

Sariya Bibi, W/o Late Md Salamattullah of Lilong Haoreibi Yangbi Leikai P.O. & P.S. Lilong Thoubal Dist., Manipur

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 11th July, 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Sariya Bibi W/o Late Md. Salamattullah of Lilong Haoreibi Yangbi Leikai, P.O. & P.S. Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/7145/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/533 Dated, the 11/07/2023

Rafida Begum, W/o Late Md. Imdadullah of Moijing Wangmataba, P.O. & P.S. Thoubal

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 11th July, 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Rafida Begum, W/o Late Md. Imdadullah of Moijing Wangmataba P.O. & P.S. Thoubal, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/7145/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/532 Dated, the 11/07/2023

Katuna Kabuini, W/o Late Gangmei Koireng Kabui of Lilong Chingkham Awang Leikai, P.O. & P.S. Lilong Thoubal District

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 11th July, 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Katuna Kabuini, W/o Late Gangmei Koireng Kabui of Lilong Chingkham Awang Leikai P.O. & P.S. Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/7145/12